# সাউদি সিটিজনশিংদা টর্কিবু বোইকোট তৌনবা খঙহনখ্রে, ইজরেলনসু নাটোদা ইর্দোগান ৱাররক্লবা হায়খ্রে



টেল অভিভ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): মিদল ইষ্টকী তংদু লৈতাবগী ফীভম অরব লৈবাকশিংনা থুগাইরে হায়না টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেক টায়িপ ইর্দোগাননা অরব লৈবাকশিংবু মরাল শীখ্রবা মতুংদা সাউদি অরাবিয়ানা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংদা টর্কিগা মরী লৈনবা খুদিংমক বোইকোট তৌনবা খঙহনখ্রে।

মমাঙঙৈদগী হৌনা টর্কিবু ইফোং ফোংনা ক্রিটিসাইজ তৌরকখিদবা ইজরেলনা ইষ্টানবুলবু মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী থবক থৌরাং পূন্সদা য়ৈখাই থিনগাইবা পী হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা নাটোগী মেম্বরশিংদা ইর্দোগানবু ৱাররক্লবা তকশিনখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী চেম্বর ওফ কম্মর্সকী মকোক অসলান অল অসলাননা থাংজ নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোংদোকখিবদা টর্কিগা মরী লৈনবা খুদিংমক হায়বদি ইম্পোর্ট, ইনভেষ্টমেন্ট নৎত্রগা টুরিজম হীরম খুদিংমক্তা বোইকোট তৌবা হায়বসি সাউদি খুদিংমক হায়বদি লল্লোন ইতিক তৌবশিং অমসুং কঞ্জুমরশিং পুম্নমক্কী থৌদাংনি।

টর্কিস গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী লুচিংবশিং, ঐখোয়গী লৈবাক, ঐখোয়গী সিটিজনশিংগী মায়োক্তা লেপ্পুনা তাথিবগী মতৌ অমসুং থৌওংশিং লেপ্পুনা উৎলক্লিবা অসিগী পাউখুম বোইকোট তৌবগী খোঙথাং অসিনা মতিক চাই।

টর্কিস প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা হন্দক্তা অরব লৈবাকশিংবু মিদল ইষ্টকী ষ্টেবিলিটি থুগাই হায়না মরাল শীখিবনি। টর্কিনা চহী লিশাংশিংনা ইজরেলগা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নরক্লবসু ইর্দোগাননা য়ুনাইটেদ অরবস অমসুং বেহরাইন্না ইজরেলগা মহৌশাগী মরী থম্ননবা লৌখিবা ৱারেপ্পু কন্দেম তৌখি। চৈরকসিদা ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা টর্কিবু মরা তপ্পা ফীভম লাক্লবা হোৎনবগী থবকশিংগী মায়োক্তা লৈ হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মরাল শীখ্রে।

মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোংদোকখিবদা ইজরেল্লি দিফেন্স মিনিষ্টর দেনি গান্টসনা গল্ফ অরব মীদিয়াদা ৱা ঙাঙবদা টর্কি অমসুং ইরানবু মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী থবকশিং শৌগৎপগী মহুত্তা রিজনেল এগ্রেসন ওইনা শৌগৎলি হায়না ফোংদোকখি।

গান্টসনা মখা তারদুনা টর্কিনা নোর্দন সিরিয়া অমসুং ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়ন্দা চথরিবা লমদমশিং অদুগী মহৌশাগী প্রোসেসশিংদা অকায়বা পীবা থবক কয়া চথবগা লোয়ননা লিবিয়াগী কনফ্লিক্টতসু খুৎ থিংজিল্লি অমদি হমাজ টেরর গ্রুপকা মরী থম্লে হায়নসু ফোংদোরকখি।

# কেরলাগী হেল্থ মিনিষ্টর অমসুং সী এমবু কোভিদ-১৯ থেংনবা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীখ্রে



ট্রিবন্তনপুরম, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): কেরালাবু লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শাথীনা শোকহনবা অহুমশুবা ষ্টেট অমা ওইহল্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোংগ্রেস পার্টিনা কেরলাগী হেল্থ মিনিষ্টর কে কে সৈলাজা অমসুং চীফ মিনিষ্টর বিনারয়ি দিজায়নবু মরাল শীখ্রে।

হান্না চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইরম্লবা উমেন চান্দিনা ঙসিদি কেরলা অসি মহারাষ্ট্রা অমসুং কর্ণাটকাগী মথংদা কোভিদ কেস খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ষ্টেট ওইরে হায়খি।

টেষ্টতা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৫ রোম ওইফম থোকপদা ঙসিদি কেরলাদা চাদা ১৪.৫৬তা লৈরে। দিজায়ন অমসুং সৈলাজা অনীমক্না কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু দি এফপু ষ্টেট অদুদা লাইচৎ শন্দোকপদা মতেং পাংলি হায়না মরাল শীদুনা লাক্লি। অদুবু তশেংবদি সৈলাজানা হৌখিবা ওগষ্টতা কেরলাদা নুমিৎ খুদিংগী কোরোনাভাইরস কেস লিশীং ১০ দিটেক্ট তৌগনি হায়না মাঙজৌননা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

মশানা মমাঙদা ফোংদোকচখিবগুম মসিদি কেরলাদা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রবা মওংদা কোভিদ-১৯গী কেস ৱাংখৎলক্লে। ফীভম অসিগীদমক্তা গভর্ণমেন্ট অসিনা ঐখোয়বু মরাল শীবা পাল্লি হায়না চান্দিনা ফোংদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা কেরলাদা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ৮০,৮১৮ লৈখি। নুমিৎ অসি ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীওই লাখ ১,৩৯,৬২০ লায়না অসিদগী ফখ্রে। ইরাই নুমিত্তা পুন্না কেস ৯২৫৮ দিটেক্ট তৌদুনা নোংমগী মনুংদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশীং ওইখি।

শাথীরবা লায়না লাইচৎ অসিগী ফীভম লুশিলহল্লি হায়না মরাল শীরিবা মীওইশিংনা এপোলোজাইজ তৌফম থোকই। গভর্ণমেন্ট অসিনা মতম চুপ্পদা মথৌ পাঙথোকপা ঙমজদ্রবসু অতৈদা মরাল শীদুনা লৈরি।

অহানবদা মখোয়না লাইচৎ শন্দোরকপগী মতাংদা কেরলাগী দাইসপোরাদা মরাল শীজিনখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না ঙামীশিংদা মরাল শীখি। হৌজিক্তা লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেসপু মরাল শীরি। মখোয়গী অশোয়বশিংগীদমক্তা অতৈবু মরাল শীবগী মহুত্তা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক্তা পুন্না হোৎনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না চান্দিনা ফোংদোকখি।

# মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী মলেসিয়াগী পি এম ক্বারন্টিন তৌখ্রে



কুলালম্পুর, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা দিভলপমেন্টশিংগী মতাংদা খন্নবা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী গভর্ণমেন্ট মীটিং অমদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর অমা থাংজ নুমিত্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা মলেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোহিদিন য়াসিননা মহাক নুমিৎ ১৪নি সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌরগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোংদোকখ্রে।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসি সেপ্টেম্বর ২৬তা বোর্নিওগী সবা ষ্টেটকী মীখল পাঙথোকখিবা মতুং হৌখিবা চয়োল অসিদা কোভিদ-১৯ কেসশিং খঙহেন হেনগৎলকপা উখি। মলেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খি মদুদি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা অহোংবা লাক্তবা তারবদি কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিং চৎনহল্লকপা য়াই হায়খি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পোলিটিসিয়নশিংবু ইনফেক্সন হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মরাল শীনবা লৈরিঙৈদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদিননা রিলিজিয়স এফেয়রস মিনিষ্টর জুলকিটলি মোহম্মদ অল-বাক্রি কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়বসি কনফর্ম তৌবগা লোয়ননা মহাক্কা থাংজ নুমিৎকী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিল মীটিংদা নকশিন্নখিবা মীওইশিংদা ওক্টোবর ৩দগী হৌরগা নুমিৎ ১৪নি হোম ক্বারন্টিন চথনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়খি। মিনিষ্টর পোজিটিভ ওইরম্বা অসিনা মরম ওইদুনা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা পীবা পাউতাক মতুংইন্না ঐহাক য়ুমদা নুমিৎ ১৪নি সেল্ফ-ক্বারন্টিন তৌরগনি হায়না মুহিদিননা ফোংদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী বিজিনেসতা অকায়বা পীবা তৌরোই অমদি মহাক মখা তানা য়ুমদগী থবক তৌখিগনি অমসুং তঙাইফদবগী মতুংইন্না ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মীটিংশিং কন্দক্ট তৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

মমাঙদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনশিং দিটেক্ট তৌনবা স্বাবশিং কলেক্সন তৌবা অমসুং লায়ওং খঙদোকপা য়াওনা কন্ট্রেক্ট ত্রেসিংগী থবকশিং পাঙথোকখি হায়না ফোংদোক্লি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী ফেসবুক পোষ্ট অমদা জুলকিটলিনা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে অমসুং হৌজিক লায়েং চথরি হায়বসি কনফর্ম তৌখি। তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মলেসিয়াগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎতা অনৌবা কেস ৪৩২ দিটেক্ট তৌদুনা পেন্দেমিক অসি হৌখিবদগী মলেসিয়াদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা নোংমদা খ্বাইদগী য়াম্বা কোভিদ কেস থেংনখি।

# শ্রী লঙ্কাগী স্কুলশিং মখা তানা থিংখিগনি

কলম্বো, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কাদা কোভিদ-১৯ কেসশিং খঙহৌদনা ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা ঈথৎ লৈবাক অসিগী স্কুলশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মখা তাবা নোটিশ থোক্ত্রিবা ফাওবা হাংখিরোই হায়না এদ্যুকেসন মিষ্ট্রিনা ফোংদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা কেথলিক, প্রাইভেট অমসুং ইন্টরনেসনল স্কুল পুম্নমক, প্রী-স্কুলশিং অমদি পিরিবেনা সেন্টরশিং (মোনাষ্টিক কোলেজশিং) থিংগদবনি হায়না পনখি। কলম্বো অমসুং গম্পাহা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ট্যুসন ক্লাস পুম্নমকসু মখা তানা মতম কক্তনা সস্পেন্দ তৌগনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মসিগী মথক্তা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন্নসু ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি চয়োল অসিদা কেলানিয়া য়ুনিভর্সিটি, গম্পাহা ৱিক্রমারাচি আয়ুরবেদ ইন্সটিট্যুট অমসুং নাইৱালা এদভান্স ইন্সটিট্যুট থিংজিল্লগনি হায়না ফোংদোকখি।

হোষ্টেল ফেসিলটিশিং শীজিন্নরিবা মহৈরোয় খুদিংমক খুদক্তা মফমশিংদু থাদোক্লগা ময়ূমদা চৎখিনবসু খঙহনখ্রে। ঈথৎ লৈবাক অসিদা থা অনীগী মনুংদা কম্যুনিতি কোভিদ-১৯ কেস রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী কেস থেংনখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা দিবুলাপিটিয়া, মিনুৱাঙ্গোদা অমসুং ব্যাংগোদা হায়রিবা কেপিটেল কলম্বোগী চিদাইদা লৈবা মফমশিং মতম কক্তনা কর্ফ্যু থমখ্রে।

# সিলিভিয়ন এরিয়াশিংদা এটেক তৌই হায়না মরাল শীনখ্রে

য়েরেবান/বাকু, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): চহী ২৫ হেনবগী মনুংদা সাউথ কোকেসস রিজন্দা থোরকখিবা খ্বাইদগী শাথীবা লালগী ৯নি চনবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অর্মেনিয়া অমসুং অজরবাইজাননা অমনা অমবু সিভিলিয়ন এরিয়াশিংদা এটেক তৌই হায়না মরাল শীনখ্রে।

ইন্টরনেসনল লোগী মতুংইন্না অজরবাইজানগী মনুং চন্না লৈরিবা ইথনিক অর্মেনিয়নশিংনা খুন্দাবা অমসুং লৈঙাকচবা চীংগী এনক্লেব অমা ওইরিবা নাগোরনো-করাবাক্কী মতাংদা ইনৌনৌনা থোরক্লিবা লাল অদুদা মীওই চা কয়া শিখ্রবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লাল কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা অজরবাইজানগী প্রসিদেন্ট ইলহাম অলিয়টনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱা ঙাঙবদা অকন্নবা ফিরেপ অমা লৌখ্রবা মতুংদা সিজ ফায়র অমা পুরকপা য়াবগী থাজবগী চাং নেল্লকখি। মহাক্না অর্মেনিয়াগী মায়কৈদগী নাগোরনো-করাবাক অমসুং অকোয়বা অজরি টেরিটোরিশিংদগী ত্রুপশিং লৌথোক্লবগী মতম অমা পীরক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

# আফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শানদ্রি

কাবুল, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): কটরগী কেপিটেল দোহাদা আফঘান মশেল ৱারী শানবগী থৌরম হৌখিবা মতুং নুমিৎ ২২নি শুজিল্লক্লবা ফাওবদা আফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মহুৎ শিল্লিবা নেগোসিএসনগী টিমশিংগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শানবা লৈত্রি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১২দগী নাকল অনীনা কন্টেক্ট গ্রুপ মীটিং ৭ পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং য়েৎনরিবা পোইন্ট অনীগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে হায়না টোলো ন্যুজকী রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না হৌখিবা নুমিৎ তরুকনি অসিদা কন্টেক্ট গ্রুপ মীটিং অমত্তা পাঙথোকপা লৈখিদে। য়ু এসকী স্পেসল এনভোই জালমে খল্লুলজাদনা হৌখিবা চয়োলদা দোহাদা থুংদুনা নাকল অনীমক্কী মীহুৎশিংগা উনখিবগা লোয়ননা হকথেংননা ৱারী শানবগী থবক থিন্নুবগী ফীভম লৈদুনসু আফঘানিষ্টানগী মীচংশিংনা দিপ্লোমেটিক্কী খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে।

চৈরকসিদা নাটোগী সিনিয়র সিভিলিয়ন রিপ্রজেন্টেটিভ ষ্টেফানো কোন্টেকোর্বোনসু চীফ নেগোসিএটর মাসুম স্পানেক জাইগা ৱারী শানদুনা পিছ প্রোসেস অদুগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।



হায় কাউন্সিল ফোর নেসনল রিকোন্সিলিএসনগী চ্যেরমেন অবদুলা অবদুলানা ওক্টোবর ৬তা ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা ফীভম অসি লাক্লিবনি হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেন ফ্রাইদুন খ্বাজুননা ফোংদোকখি।

স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি আফঘান পিছ প্রোসেসপু শৌগৎহন্নবা হোৎনবা অমদি রিজনেল কন্সেসস হেন্না চেৎশিলহন্নবনি।

টোলো ন্যুজনা মখা তানা হায়, অবদুলা অবদুলানা ইন্দিয়ন ওফিসলশিংগা উনদুনা আফঘান পিছ অমসুং আফঘানিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা মরীশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। হৌখিবা চয়োলদা অবদুলানা পাকিষ্টান্দা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান, ফোরেন মিনিষ্টর শাহা মহম্মুদ কুরেসি অমসুং অতৈ সিনিয়র ওফিসলশিংগা লোয়ননা আফঘান পিছ প্রোসেসকী মতাংদা খন্নখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৫দা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা ৱান পিছ প্রোসেসকী মতাংদা স্পেসল এনভোই খলিজাদকা কুপ্পা ৱারী শানখিবনি। ৱারী শানবা অদুদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোভাল অমসুং ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ বর্ধন স্রিংলাসু শরুক য়াখি।

# টেরর এটেক্তা ক্রুপর অনী শিরে

শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাউথ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী রোদ ওপনিং পার্টি অমদা এটেক চথখিবদা সী আর পি এফকী মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ অহুম্না অশোক অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোংদোকখ্রে।

ওফিসলশিংগী মতুংইন্না এটেক অদু পাম্পোরেগী কামজাল এরিয়াদা চথখিবনি। সোর্সশিংনা হায়খি মদুদি সী আর পি এফ অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরর পুলিসকী রোদ ওপনিং পার্টি (আর ও পি) দা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। এটেক অদুদা সী আর পি এফ পর্সনেল ৫ অশোক অপন নংখি। মখোয় দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং পর্সনেল অনী মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদবদগী লৈখিদবনি। থৌদোক থোকফম অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিনখি অমসুং মফম অদু মী চঙহন্দনা থম্বগা লোয়ননা থিবা হুম্বগী ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি। পনবা য়াবদি, কুম্জা ২০১৯গী ওগষ্টতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবদগী ইন্দিয়ন মিলিটরিনা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনশিং কনশিন্দুনা লাকখিবনি।

# য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরি

ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা দোনাল্ড ত্রম্প হৌজিকসু হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরি। অদুবু মহাক্কী চীফ ওফ ষ্টাফ মার্ক মিদোসনদি ত্রম্প মিলিটরি মেদিকেল ফেসিলিটিদগী অথুবা মতমগী মনুংদা দিসচার্জ তৌরক্তুনা হ্বাইট হাওসতা হল্লক্লগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

ত্রম্পপু লায়েংলিবা মেদিকেল টিমদা য়াওবা স্পেসলিষ্ট অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোংদোকখিবদা করিগুম্বা ত্রম্পকী হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্লবদি অথুবা মতমগী মনুংদা দিসচার্জ তৌরগনি।



অদুমকপু মহাক চৎথোক চৎশিন তৌবদদি খুদোংচাখিরোই হায়খি।

অমরোমদা, মহাক্কী দেমোক্রেটিক পার্টি চেলেঞ্জর ওইরিবা জোবিদেনদি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফ্লোরিদাদা চৎতুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা কেম্পেনদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা দোনাল্ড ত্রম্পকী স্পোক্সপর্সন কেলেক মেক ইনানিসু ঙসি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। মহাক ঙসি অয়ূক টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মহাক খক নত্তনা ত্রম্পকা নক্লনা থবক তৌমিন্নরম্বা কয়াসু টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়ানা য়েক্লবা খুদিংমক মায়োক্লবা ঙম্মী : আর কে এস বাদৌরিয়া

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): লালগী ফীভম খুদিংমক্তা চাইনানা কৈদৌঙৈদসু ঐখোয়দগী হেনবা ঙল্লোই হায়না ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী এয়র চীফ মার্সেল আর কে এস বাদৌরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোংদোকখ্রে। মহাক্না ফোর্স অসি য়েক্লবা খুদিংমক থেংননবা মপূং ফানা শেম শারে হায়নসু ফোংদোকখি।

ঐখোয়না ইষ্টর্ন লদাখতা দিপ্লোইমেন্ট মতিক চানা তৌই। ফীভম খুদিংমক্তা চাইনানা ঐখোয়দগী হেনবা ঙল্লোই হায়না দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এন্যুএল প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না ফোংদোকখি।

আই এ এফকী চীফ অসিনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি হৌখিবা থা মঙা অসিদা ফোর্স অসিনা চাইনাগী মায়োক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথবা য়াবগী ফীভম অমত্তা থেংনখিদে। ফোর্স অসিনা য়েক্লবা খুদিংমক্তা মায়োক্নবা শেম শাদুনা লৈ। চাইনা অমসুং পাকিষ্টাননা খুৎশম্ননা কিহল্লকপগী মমি অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা উদ্রি হায়নসু বদৌরিয়ানা ফোংদোকখি।

# য়ু পিগী পাৱর এমপ্লোয়ীশিংনা মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক হৌখ্রে



লক্ষনৌ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): বরানসি দিসকোম প্রাইভেটাইজেসন তৌনবগী প্রোপোজেলগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা য়ু পি ভিদ্যুট কর্ম্মচারি সনয়ুক্ত সঙ্ঘরস সম্মিটিনা আপিল তৌখিবগী মতুংইন্না উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী পাৱর দিপার্টমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংনা মতম কক্তবা থবক লেপ্পগী খোঙজং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী খোঙজং অদু থেংননবা তঙাইফদবা শেম শাবগী থবক খুদিংমক লোইরে হায়না ফোংদোকখি।

য়ু পি পাৱর কোর্পোরেসন মেনেজমেন্ট (য়ু পি পি সী এম) গী মেনেজমেন্টনা সঙ্ঘরস সম্মিটিগী মেম্বরশিংগা ৱারী শানদুনা মখোয়দা বোয়কোটকী থৌরাং অদু হন্দোক্লবা তকশিনখি। তৌইগুম্বসুং মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী প্রাইভেটাইজেসন তৌদনা ইনর্জি সেক্টর রিফোর্ম তৌনবগী প্রোপোজেল য়ারক্তবদগী ৱারী শানবা অদু ফেল ওইখি।

ঐখোয়গী রিফোর্ম প্রপোজর য়ু পি পি দি সী এমগী মেনেজমেন্টনা য়ারক্তবদগী ঐখোয়না পাৱর পর্সনেল খুদিংমক্তা হান্না লাউথোকখ্রবা থৌরাংগী মতুংইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তগী মপূং ফাবা ৱর্ক বোইকোট হৌননবা খঙহনখ্রে হায়না ওল-ইন্দিয়া পাৱর এঞ্জিনিয়রস ফেদরেসন (এ আই পি ঈ এফ) কী চ্যেরমেন সৈলেন্দর দুবেনা ফোংদোকখি।

মহাক্না মেনেজমেন্টবু গভর্ণমেন্টনা লান্না লমজিংই হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিতনাথতা পাৱর সেক্টরদা লাক্লিবা পেন্দবগী ঈরাং অদু মতম চানা ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবা য়েংশিনবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

য়ু পি পাৱর ওফিসরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে বি রাম অমসুং এক্টিং প্রসিদেন্ট অবদেস কুমার বর্ম্মানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট শ্বাটন্ত্র দেব সিংহ, ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অজয়কুমার লালু অমসুং বি এস পিগী লিদর সটিসচন্দ্র মিশ্রাগা উনখি অমসুং মখোয়দা মেমোরেন্দম অমা সবমিট তৌদুনা প্রাইভেটাইজেসন থিংবদা মতেং পাংবীনবা হায়জখি।

# দি আর দি ওনা পুথোকপা ইন্দিয়াগী এন্টি-সবমেরিন ৱেপন সিষ্টম মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নেভেল ৱারফ্যের কেপেবিলিটিশিং হেনগৎহন্নবা খোঙথাং অমদা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) না দিভলপ তৌবা এন্টি-সবমেরিন ৱেপন সিষ্টম ইন্দিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে।



এচিভমেন্ট অসিগীদমক্তা লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা দি আর দি ওগী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎখ্রে। মহাক্লা হায়খি মদুদি দি আর দি ওনা সুপরসোনিক মিসাইল এসিষ্টেট রিলিজ ওফ টোর্পেদো (স্মার্ট) মায় পাক্লা ফ্লাইট টেষ্ট তৌখ্রে। মসি এন্টি-সবমেরিন ৱারফ্যেরগী ষ্টেন্দ-ওফ কেপেবিলিটিগী মরু ওইবা টেক্নোলোজিদা খূমাঙ চাওশিনবা খোঙথাং অমনি।

দি আর দি ও অমসুং অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিংবু শিংথানীংঙাই ওইবা এচিভমেন্ট অসিগীদমক্তা ঐহাক্না হরাও তয়াম্বা ফোংদোকপগা লোয়ননা থাগৎলি হায়না রাজনাথনা ফোংদোকখি। দি আর দি ওগী চ্যেরমেন জি সথিস রেদ্দিনা ফোংদোকখিবদা স্মার্ট অসি এন্টি-সবমেরিন ৱারফ্যেরদা অচৌবা অহোংবা লাকহল্লিবা টেক্নোলোজি দেমোন্সত্রেসন অমনি।

দি আর দি ওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি সুপরসোনিক মিসাইল এসিষ্টেট রিলিজ ওফ টোর্পেদো (স্মার্ট) অয়ূক পুং ১১.৪৫ তাবা মতমদা ওরিষাগী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা লৈবা ৱিল্লর ঈথৎতগী মায় পাক্লা পাইহনখ্রে। মিসন অদুগী পান্দমশিং হায়বদি মিসাইল অদু রেঞ্জ অমসুং অলটিচ্যুদ লেপখিবা চাংয়ৌনা পাইবা, নোস্কোন সেপরেসন, টোর্পেদো রিলিজ তৌবা অমসুং ভেলোসিটি রিদক্সন মেকানিজম (ভি আর এম) গী দিপ্লোইমেন্টনচিংবা পান্দম খুদিংমক মপূং ফানা ফংবা ঙমখি হায়না দি আর দি ওগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। সমুদ্র খোংবান পরিংদা লৈরিবা ত্রেক্কিং ষ্টেসনশিং হায়বদি রাদরশিং, ইলেক্ট্রো ওপটিকেল সিষ্টমশিং অমদি দাউন রেঞ্জ শীপশিং য়াওনা টেলিনেত্রি ষ্টেসনশিংনা হিদেন খুদিংমক্তু মোনিটর তৌখি হায়নসু দি আর দি ওগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

চাংয়েং তৌরিবদু টোর্পেদোগী রেঞ্জকী ৱাংমদা এন্টি-সবমেরিন ৱারফ্যের ওপরেসনশিং য়াহল্লিবা মিসাইলনা মতেং পাংলগা লাইট ৱেট এন্টি-সবমেরিন টোর্পেদো সিষ্টম রিলিজ তৌবগী চাংয়েংনি। মসিগী লোঞ্চ অমসুং দিমোন্সত্রেসন অসি এন্টি-সবমেরিন ৱারফ্যের কেপেবিলিটিশিং শেমগৎপদা য়াম্না মরু ওই।